# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ হাওপান # ২৮৩

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পান্বী খরদি পান, য়েন্দেম, শীংজ পান অসিনচিংবনি।

ময়াম্না ইথা থাজদবা অদুবু হীদাক্কী ওইবা মগুনশিংদি থোইদোক হেন্দোক্লা য়াওবা পান্বীলক্তগী হাওপান হায়রিবা পান্বী অসিসু অমনি। হাওপান অসি ইংলিসতা ইলিফেন্ট য়াম (Elephant yam) নৎত্রগা চীকী য়াম (Cheeky yam) নৎত্রগা ইলিফেন্ট ফুট য়াম (Elephant foot yam) নৎত্রগা ষ্টিঙ্কি লিলি (Stinky lily) নৎত্রগা টেলিঙ্গা পোতেটো (Telinga potato), অসামিজদা (Ol) নৎত্রগা ওল কোচু (Ol kochu) বেঙ্গোলিদা সুরান (Shuran) নৎত্রগা ওলে (Ole), হিন্দিদা জঙ্গলি সুরান (Jangli suran) নৎত্রগা কান্দা (Kanda) নৎত্রগা গন্দীরা (Gandira), সংস্কৃততা সুরানা (Suranah) নৎত্রগা আরসোঘনা (Arshoghna) নৎত্রগা দুরনামারি (Durnamari) নৎত্রগা কান্দালা (Kandala), উর্দুদা হাতী য়াম (Hati yam) নৎত্রগা জঙ্গলি সুরান (Jungli suran), থাইদা বুক খাঙ (Buk Khang), শ্রী লঙ্কাদা কিদারান (Kidaran), ভিয়েটনামিজদা খোই নুরা (Khoai nura), বর্মিজদা ৱা (Wa), চাইনিজদা বাই বন মো (Bai Ban Mo) নৎত্রগা লৈগোং চোং (Leigong chong), গ্রীকতা ইলিফেন্টিনি দাইওসকেরিয়া (Elephantini Dioscorea), ইন্দোনেসিয়াদা বাদুর (Badur), জপানিজদা কোঞ্জেক (Konjac), মলেসিয়াদা হাকাই (Hakai), নেপালিদা ৱোল (Wol), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *এমোরফোফেলস পিওনিফোলিয়ম (Amorphophallus paeoniifolius)* নৎত্রগা *এমোরফোফেলস কেম্পেনুলেটস (Amorphophallus Campanulatus Decne.)* নৎত্রগা *এমোরফোফেলস জাইগেন্টিয়স (Amorphophallus giganteus Blume)* নৎত্রগা *এরুম কেম্পেনুলেটস (Arum Campanulatum Roxb.)* নৎত্রগা *কেন্দেরম হুকেরী (Candarum hookeri Schott)* হায়না কৌই অমসুং *এরেসী (Araceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ

হাওপান পান্বীগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিংগী জেনেরা এমোরফোফেলস হায়বসি ফেলস (Phallus) হায়বা ৱাহৈ অসিদগী লৌদুনা থোনখিবনি। ফেলস হায়বগী ৱাহন্থোক্তি নুপা-নুপীগী শকওং কায়রবা পা-পী (প্রাইভেট পার্ট) শিং হায়বনি। মরমদি হাওপান পান্বীগী লৈ অমসুং মউ অদু হেক য়েংবদা নুপা-নুপীগী ফিনুংগী শরুকশিং অদুগী মওং কায়রবা শক্তম অদু মানবদগী থোনখিবনি। অদুগা পান্বী অসিগী স্পিসিসকী মমিং পিওনিফোলিয়স অসিনা পিওনি নৎত্রগা পিওনিয়া (Paeonia) পান্বীগী মনা অদুগা মশক য়াম্না মান্নবদগী থোনখিবনি। তশেংনমক পিওনি হায়বসি য়াম্না অরিবা মতমগী গ্রীক্কী ফাওখিবা অদুগা পান্বীবু ইহান হানবা ওইনা অনা-লায়েংদা শীজিন্নখি হায়না থাজনরিবা মতমদুগী দোক্টর পিওন (Paeon) গী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি।

হাওপান হায়বসি ফুট ৪ রোম ৱাংবা মউ য়াম্না চাউনা তাবা হেক য়েংবদা পান পান্বী মানবা অথোৎপা পান্বীনি। পান্বী অসি নোংজুথা হেক হৌগৎলকপা মতমদা মঙ্গ্রা মচু চংলপ তৌবা, অপুন্বা মনম চেনবা লৈশিং শাৎলি। হাওপান হায়রিবা পান্বী অসি এসিয়াগী খরা হেন্না শাবা ত্রোপিকেলগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি হায়না পাউদমলি। পান্বী অসি মহৌশাগী ওইনা ইন্দিয়া, শ্রী লঙ্কা, বাংলাদেশ, নেপাল, ফিলিপিন্স, ইন্দোনেসিয়া, মলেসিয়া অমসুং ম্যান্মারদা হৌজৈ।

হাওপান পান্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা হাওপান অসি ফুৎলগা নৎত্রগা এঙ্খাং ওইনা থোংদুনা চানৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা হাওপান পান্বীগী অনৌবা মনা অদু উতী থোংদুনা চানবগী মওং অসি নত্তবীদা ইন্দোনেসিয়াদদি এঙ্খাং ওইনা থোংনৈ। হাওপানগী মউ অদুদগী লৌবা চনাং অদুগা য়ুগা য়ান্নরগা অহাওবা মখলগী তল (Bread) অমা শেম্নৈ। বিহারদদি মখোয়গী মমিং চৎলবা চিঞ্জাক ভারতা (Bharta) নৎত্রগা চোখা (Chokha) অসি শেম্বদা হাওপান অসি শীজিন্নবগী মথক্তা অমেৎপা অমসুং আচার শেম্বদসু শীজিন্নৈ। হাওপান পান্বীদা ফেটকী চাং অসি য়াম্না নেম্বা (০.২দগী ০.৪ চাদা) অদুগা ফাইবরনা চাং ৱাংনা ১.৭তগী ৫গী চাংদা য়াওবা মরম্না মীওইবগী হকচাংদা য়াওবা কোলেসটেরোলগী চাং অসি হন্থহনবা ঙম্বা মরম্না য়াম্না নোয়বা মীওইশিংগী অরূম্বা হন্থহন্নবা অফবা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না হাওপান পান্বী অসি চাবনা মীওইবগী হার্টকী মপাঙ্গল কন্না থম্বা ঙম্মী। ঈগী খোঙজেল চাং চানা থম্বা ঙম্বা মরম্না হাওপান অসি চাং নাইনা চারবদি ব্লদ প্রেসর (বি পি) ৱাংবা অসিসু নেমথহনবা ঙম্মী হায়নসু পাউদমলি।

য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা পাউদম অমগী মতুংইন্না হাওপান পান্বীদা ফাইবর অমসুং ভিটামিন এগী চাং অসি ৱাংনা য়াওবা মরম্না কেন্সর মখল খরা মরু ওইনা কোলোন হায়বদি থিবোং থিরিলগী কেন্সর, লঙস (Lungs) অমসুং ওরেল কেভিটি (Oral Cavity) হায়বদি চীন-ঙৌগী কেন্সর অসিদসু থোইদোক্লা কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী হায়বসিনি। হাওপান পান্বীদা ভিটামিন সী (Vitamin C) অমসুং এন্টিওক্সিদেন্টকী চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না হাওপান অসি অকক্লবা চাংদা চাং নাইনা চারবদি উনশা খুইজিল্লকপা অদু তপথহন্দুনা মীওইবগী অহল ওইশিল্লকপগী খোঙজেল হন্থহন্দুনা মতম শাংনা পুন্সিহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। হাওপান পান্বীদা গ্লাইসেমিক ইন্দেক্স (Glycemic index) অসি চাং য়াম্না হন্থবা মরম্না দাইবেটিসনা নাবা মীওইশিংগীদি য়াম্না ফবা চিঞ্জাক অমনি। হকচাংগী শরুকশিং মরু ওইনা ফিরাক (Liver), চাকখাও অমসুং থিবোং থিরিলদা হূ কাবা (Toxification) অদুদা হাওপান অসি পীজরবদি হূ অদু লৌথোকপা ঙম্মী হায়না পাউদমলি।

হাওপান অদু পানা শোইরগা কংহল্লগা তকখায়বা মকুপ অদু নোংমদা চমচ অমা নৎত্রগা তঙ্খায়গী চাংদা নোংমদা অনীরক লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিংগা পীথকপদা নুংশং ঈ তাবা অদু লায়েংনৈ। প্রী মেন্সত্রুয়েল সিন্দ্রোম (Pre menstrual syndrome) হায়না খঙনবা নুপীগী লায়না লৈবা নুপীশিংনা হাওপান অসি চিঞ্জাক ওইনা য়াম্না কান্নজরবসু মীরোলবী অমদি খোমজিংলিবী মমাশিংনদি অখণ্ড অহৈগী পাউতাক্কী মতুংইন্না চাগদবনি হায়বগী ৱাফমশিং লৈ। ইন্দিয়াগী অরিবা অনা-লায়েংদা হাওপান পান্বী অসি চাবা তুমদবা, মীৎ মশেন-মরাং উবা, নুপীনা অঙাং ওইবা ঙমদবা, অপোম অতং তৌবা, হরা কংখু তৌবা, থজিন শাওগৎপা, তাং চাওথোক্তুনা চিকপা-নাবা তৌবা, নুংশং থুংবা, ওবা-ফায়বা তৌবা, খোঙ হামথবা অসিদা লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। শ্রী লঙ্কাদদি হাওপান অসি হক্কী ঈশিং মরী নুংঙাইতবা, য়া চিকপা, হক্কী ঈশিং কা হেন্না চৎপগী লায়েংদা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। অদুবু য়াম্না চেকশিনবীগদৌবদি হাওপান অসি হূ চেনবা মরম্না হিংনা শীজিন্নবদা অমাঙ-অতা থোকহনবগী ওইথোকপশিং লৈ। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ইকায়বগী ৱাংমা লানখ্রবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মীওইপোক ঐখোয়সে অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা অহল লমন্না পাউতাক কয়া পীদুনা তৌহৈবা-তৌহৈদবা কয়া তাক্তুনা লাক্লি, চাওরক্লবা কান্দসু অখঙ অহৈ কয়ানা ৱাখল লৌশিং লৈনবা মীৎ-নাকোং শিংনবা তাকপীরি-তন্বীরি, ফনবা চৈবীরি। মী অমা ওইবা ঙম্নবা ফত্তবা থবক তৌরুনু, ফত্তবা থবক হায়বদো মহা পাপনি, ওজা-গুরু, ইমা-ইপানি তাকপীরি, চৈবিরি পুন্সিগী থাওমৈ ওইনবা। অদুবু ঙাঙলিবা, চৈরিবা খুদিংমক ঐবু হৈসনু, শিংসনু ঙাঙলিবনি। অদুবু লৌনবগী মহুত্তা থোইনা হেন্না হে হায়বা ৱাখল অমা য়াওনা মথোই কানবসু লৈতবা নত্তে। য়ু থকপা, জ্বার শান্নবা ফত্তবগী লম্দদি অমসু অমসু পূক্নিং হেন্না চিংশিনবা মীওইসু লৈতবা নত্তে। মখোয়সিগী মনুংদসু নুপা খক্তা নত্তনা নুপী খুন্নাইগী মরক্তসু য়ু থকপা, জ্বার শান্নবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। অদুনা ঐখোয় মীওইবসি অসুম খল্লগা য়াম্না তোনবা জীবগুম খনবা য়ারে। হুই-হৌদোং, শা-ঙা ফাওবা মতমসিদদি মীওইবদগী হেন্না শিংলে হায়নীংই। মখোয়দা থীনা তৌবা, লুনা তৌবীখিবা কয়াবু অকাউবগী ৱাখল য়াওদবগুম নীংশিংদুনা লৈনরি।

ঐখোয় মীওইবদি মাবু ফনবা অৱাবা কনবীখিবা মীওইবু মথক কারকপগী পুকচেল হেক্তা চেল্লকপা অসিনা শাদগী মীওইবনা হেন্না তোনব্রা খঙ্জে। মশা মশাদা অৱা অনা তারগা মখোয়গীদমক তেংবাংলম্বদুগী চিরবা, অৱা-অনা তারবা মতমদা হেক্তা কাউনখি। কল্লিঙৈদদি তাদা-মাম্মা হায়না তুং কোয়না ইন্নবা, শোল্লবা মতমদদি ঙা চরা অমদি লায়রদনা হন্না ফাওবা য়েংদবা মীওইসু লৈনদবা নত্তে। মসিনা থম্মোয় অমগা অমগা নুংশিনবগী চাং ৱাৎনবগী মশক ঐখোয় মশেল পুকচেল পিক্লবনা ওইরকপা ঙাক্তনি হায়জনীংই। অদুনা মসি পূম্নমক নাকোয়ননা থমখ্রগা, য়াদে নিয়ম নত্তে হায়রগা হেঞ্জিল্লকপা, কনানা করি হায়বা ঙমগদগে খনবা মীওইসু মরকসিদা লৈনরি। মখোয়গী মরক্তা ইকায়বা হায়বা অসিমা তুংদা থমখ্রগা ফুট পাথতা গাড়ী শেল্লিবা, শঙ শাজিল্লিবা, দুকান ফমজিল্লিবা কয়াসু য়াওনরি। মসি পূম্নমক লৈতবগী শেল তানবনি হায়রগসু মীয়ামগী লম্বীদা অৱাবা ওইহনবদি তৌদবনা ফগদ্রা খল্লি।

লম্বী-সরক্তা শেম্নবা গাড়ী ময়াম পৈ পৈদুনা থমজিনবনা অতৈ গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা পীবতা নত্তনা লম্বীদা খোঙনা চৎফম লৈহন্দবা, ফুট পাথতা শম্বল খাবগুম থমজিনবা মফম কয়াদা থেংনজৈ। অদুগা বজারগী মফমসু , চীংগী লম্বীসুনি লম্বীনা ফোর লেন্দ ওইরবসু ওইদ্রবসু তঙ্খাই অমদি গাড়ী ময়াম থমজিনবনা গাড়ী অমা চঙলকপদা চঙবা য়াদবা মফমসু লৈরি। গাড়ী সেটনা তঙ্খাই অমা কনখ্রবনা করম্না গাড়ী অনী থৈননি, খোঙনা কদোমদা চৎকনি। মশীং য়াম্লবা গাড়ীশিং চৎপদা ঙাইহাক লৈতনা ত্রাফিক জাম ওইদুনা পুং অমা, পুঙ্খায় অমরোম মতম মাঙহল্লি, অথু-অকাই অমদি অনা অয়েক্কী চৎপদা অপনবা ওইদুনা খুদোং চাহন্দে হায়বসি মীপূম খুদিংমক্লা খঙনরবা ঙাক্তনি। মসিদা নত্তনা ফুট পাথতা গাড়ী মচা থম্ফম ওইশিনবসু লৈরি, পোৎফমসু ফমজিল্লি। মসিদবু কদাইদনো খোঙ লম্বী ওইগদৌরিবা। মসি ঐখোয় ঐখোয়না ৱাখল খরা তানবনা ফবরা খঙ্জে। ঙাইহাক্কী নুংঙাইনবা হোৎনবদা তুংদা অকায়বা লাক্কনি হায়বসি খন্থবা ফবরা নীংজৈ।

য়ূমথোঙ খুদিং গাড়ী মচা, অচৌবা অমদগী তাদনা লৈনদবা য়ূম লৈত্রে। অসিগুম্বা ময়াম অসিনা থৌনরকপদা লম্বী চৎফম লৈরক্তবনি। লম্বীদি নোংমতা চাউথোরক্তে অদুগা গাড়ীদি নোংমগী মশীং হেল্লক্লি। মসিদা নত্তনা দুকান ফম্বশিংনা মশাগী পাট্টালেন্দনি খন্দুনা ফুট পাথতা পোৎ চৈ পৈশিনবসু লৈরিবনি। মসিদা ৱার্কশোপ তৌরিবা অমদি দুকান দারশিংনা ৱাখল খরদং খন্থহন্নীংই। লৈঙাক্তা ঙাক্তা অৱাবা পীহনবসু লানগনি। য়াদবা গাড়ীগী অতেক অকায় অমদি অতৈ পোৎলমশিং পৈশিন্দুনা থল্লিবা অসি চুম্রা নৎত্রগা লানব্রা হায়বা ৱাখল খন্থবা মতম ওইরে। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো 'ইকায়বগী ৱাংমা লানখ্রবা' হায়বা ৱাখল অদুদগী ইকায়বগী ৱাখল মচেৎ অমত্তং নপ্পুনা মায়থোঙ মকা লাম্না শুবা, চাবা-থকপগী শেন্দাল লম্বী ওইবীদুনা মীগী নুংঙাইরোইদবা থবক থৌরম অমদি চৎথোক চৎশিন্দা অপনবা পীবীদনবা অফবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা হোৎনমিন্নরসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

Government of India
Ministry of Home Affairs
Sashastra Seema Bal
Office of the Commandant 67 Bn SSB, Lungla
Post office & Tehsil-Lungla, Distt.–Tawang (A.P.)- 790106

***

File No.-1/PF/CRC/40155/CT(GD)/TBM/67 BN/20/4803 Dated 25.03.2021.

To,

No. 171111854 CT(GD) Thokchom Birjit Meitei (UIN-10220209) S/o Late Thokchom Babu Meitei, Vill:- Thongjaomakha Leikai, PO:- Kakching, PS:- Waikhong, Distt:- Thoubal, State/UT:-Manipur (Pin:- 795103).

Subject : SHOW CAUSE NOTICE UNDER RULE - 21.

1. **Whereas**, while posted in 67 Bn SSB Lungla, Tawang-II, you absented yourself without leave wef. 16.12.2020 (AN).

2. **Whereas**, a letter has been issued vide memo No. 1/PF/CRC/1854/CT(GD)/T.B.M/67 Bn/20/18540-44 dated 24.12.2020 and No. 1/PF/CRC/1854/CT(GD)/T.B.M/67 Bn/20/88-92 dated 02.01.2021 at your home/correspondence address with direction to join your duties but you failed to report in 67 Bn SSB Lungla, Tawang-II.

3. **Whereas**, you are absenting yourself without leave since December-2020 month without sufficient cause and have not reported to 67 Bn SSB Lungla, Tawang-II despite reminders.

4. **Whereas**, the Court of Inquiry under Section – 74 of the SSB Act was conducted to enquire into the aforesaid absence and the said Inquiry declared your said absence as unauthorized.

5. **Whereas**, Apprehension Roll was issued to concerned Police authority to apprehend you vide letter No. 1/PF/CRC/40155/CT(GD)/TBM/67 Bn/20/2899-2900 dated 26.02.2021 and No. 1/PF/CRC/40155/CT(GD)/TBM/67 Bn/20/3222-23 dated 02.03.2021. You have not reported for duty after the said declaration by the Court of Inquiry and also not surrendered or apprehended by the Police as such you are deemed to be a deserter within the ambit of Section – 74 of the said Act and the said offence is punishable under the SSB Act 2007.

6. **Whereas**, in the facts and circumstances of the case, the undersigned is satisfied that your trial by Force Court for the said offence of desertion under the SSB Act is inexpedient and impracticable, and is of the tentative opinion that your further retention in the service is undesirable.

7. **And whereas**, a copy of the Court of Inquiry referred to in para-4 above containing statements of witnesses, and nature of allegations are annexed hereto as Annexure – I.

8. In view of the above, you are hereby called upon to submit in writing your explanation and defence in respect of above allegation(s) by 12th February, 2021 as to why action to dismiss or remove you tentatively from service for said mis-conduct should not be initiated against you under Rule-21 of the SSB Rules – 2009. In case, you fail to file any reply within the stipulated period, it shall be presumed that you have nothing to put forth in your defence and action to terminate your services as proposed above within the ambit of SSB Rule – 21 shall be initiated against you ex-parte.

-Sd-
(Commandant)
30 Bn SSB, Derang (AP)
(Holding Statutory Power of 67 Bn SSB, Lungla Tawang-II

HL-P/9423/3

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021
* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.
Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6719/21/1-26/2

OFFICE OF THE
YAIPHARE GROUP OF FINANCE
(Y.G. FINANCE)
H.O. CHINGMEIRONG NEAR EASTERN MOTOR
IMPHAL EAST – MANIPUR
Be a winner of Rs. 20 Lakhs
Lucky Draw Rs. 1 Lakh
Starting From 15th April, 2021
Monthly Rs. 4000/-
Lottery Cum Tender
Urgently Wanted 50 Agents
Agents will get monthly income Draw Timing : 2 :00 p.m.
For more details Plize Contact
Office timing 9:30 a.m to 4:00 p.m.
Contact No. 7642042874, 9362147856
Sd/-
Manager
Yaiphare Group of Finance
HL-B/6847/12/3-11/4 (alt)

## হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি



সুধাকর (শামু)

ঐগী য়েৎ থংবা ঈশিং মরীদা নুঙ লৈরকপদগী ঐ ওপরেসন তৌবা তাখি। অদুবু চহী কয়াগী মমাঙদা ঐগী ইবুংগী মচানুপী নেনিচাদগী নুঙ নিপান (৮) তাহনবীখিবা নুঙগী লায়েংবা ওজা লাইশ্রম নবকিশোর (পদ্মশ্রী এৱার্দী) হৌজিক্লা মচানুপা লাইশ্রম সুধাকরনা মহুৎ শিন্দুনা লায়েংবীরিবা সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবীরিবসিগী মনাক্তা চৎচদুনা তান্নজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা নুঙ অদু শুপ্পতংগী নুমীৎ হুম্নিদা তাহনবীখি। ওজাগী লায়েংসিবু ঐনা হন্না-হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ফোঙদোকচরিবা : **লৌরেম্বম ইবেনুংশি**
তাওথোং অফৈবা

HL-P/9419/3

**/অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোকপা, অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তিলহৌ ময়োনগুম্না মচা অমা থিন্দোরকপা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, কুইনা ফম্বা তারগদি অমাংথোঙ চিক্লি-চিক্লি তৌরগা অমাংথোঙসু শাগৎপা, অমাংথোঙ মপান্দগী খরা হঞ্জিল্লগা তৎপা, খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা হান্বা য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক য়াম্না কাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদুসু থাগৎপা, মরক-মরক্তা শা-ঙা চারগনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু হাক্কৎচরকপা অমদি খোঙ হান্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাদ্রগদি করিসু তৌদবা, অমাংথোঙ মনুংদা চক-চক থিল্লকপা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙ মনুংদগী তিনকুপসু থোক্লকপা, অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তিলহৌ ময়োনগুম্না মচা অমা থিন্দোরকপা, তিলহৌ ময়োনগুম্বা মচা অমা থিন্দোরকপা অদু হঞ্জিল্লু শুকয়া য়াদবা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, কুইনা ফম্বা তারগদি অমাংথোঙদা চিক্লি-চিক্লি তৌরগা অমাংথোঙসু শাগৎলকপা, অমাংথোঙ মপান্দগী খরা হনগৎলগা তৎপা, তৎপা অদুনা মরম ওইদুনা খোঙ হান্বদা থুপ্পা অমদি শাবা, খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা লৈবা, হান্বা চঙলুরগনা হান্বা য়াদবা, চাবা-থকপসু য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক য়াম্না কাবা, গ্যাস য়াম্না তোয়না চৎপা, পূকচেপ নাবা, খাঙ য়াম্না নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, হকচাং অসি পোত্থারগতা লৈনিংবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6825/3 *থাগৎচরিবা :* **O. Premjit Singh, Sangakpham**

## /নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা – **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/9231/15/3-16/4